Friday August 26, 2016, Imphal

HUEIYEN LANPAO

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# বন্দ, ব্লোকেদ- কনানা থোকহনবনোসিবো?



মণিপুরগী বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক'কী রেকোর্দ অসি কনাগুম্বা অমনা ফজনা থিজিন-হুমজিন তৌদুনা অকুপ্পা রিপোর্ট অমা লাইরিক ওইনা পুথোক্লবদি মালেমদা মমিঙ চৎপা লাইরিক অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। গিন্নিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দ'না অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক্কী মফম পীরম্লবদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পোলিটিকেল ইনইফিসিয়েন্সি মালেমদা শেগাক কায়রমগদবনি। ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরসু, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরসু ইয়াং য়াংনা, করিমত্তা থৌশাদনা হায়দোকপদা ঈকায়বা পোক্তরে- মণিপুরগী বন্দ, ব্লোকেদ হায়বসিদি কনানসু করিমত্তা তৌবা ঙম্লরোইদবনি। করিমত্তা খন্দ'গুম্মী- ৱাহৈসিনা মহাক্কী লৈঙাক অসি তৌফম থোকপদু তৌঙমদ্রবা, ফেল ওইরবা লৈঙাক্লি হায়বসি মশাগী চান্দগী হায়দোকচরবনি।

ইকোনোমিক ব্লোকেদ হায়বসি ইন্টরনেসনল লো'বু শিংনবা, তৌহৈদবা থবক অমনি। করম্বা মতমদা, কনানা অসিগুম্বা থবকসি কনাগী মায়োক্তা শীজিন্ননবগে হায়বগী ৱারী কয়া পাউ-চে অমদি চেফোঙ কয়াদা ইনখ্রে। কনামত্তগী মনাদা হাপখিদে। আইনগী থোঙদা ৱাকৎপা য়াবসু ৱাকৎখি। ৱায়েনশঙনসু থবক লৌখৎখি। ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌদুনা ষ্টেট অমগী মীয়াম্বু খাঙদা ঙৌবগুম ঙৌখিবা লূপ অমগী লুচিংপুরেল, ষ্টেটসিগী ৱায়েনশঙনা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংস লৌখৎতুনা 'ৱান্টেদ' ওইরে লাউথোকখিবা, ইফোং ফোংনা মীয়াম মরক্তা লৈদুনা, মীয়াম তীনবা মফম কয়াদা ফোংনা য়াওখিবা অমদি য়াওরিবা ঙসি ফাওবা ফাখিদে। ফেসবুক্কী ফোটো অমদা যুমফম ওইরগা, অতোপ্পা লূপকী লুচিংবা অমদি খুদক্তা পুলিসনা 'ৱান্টেদ' লাউথোকই, ফানবদি তান্নদে, 'ফাবা ঙমদবা মীচেন' পাউথোকহল্লগা, ইফোং ফোংনা থোরক্লগা চরা হেনবই খোঙজং য়াওবদা ফাদ-য়াদ-ফাজিনখি। অঙকপা লৈবাক্কী অঙকপা পুলিসনি। কা হেন্না লমহেনবা থবক তৌরসু, মীহাৎ মীপুন চথর'সু পুলিসনা ফারোই খঙবনা, আর্মিনসু থিংলোই খঙবনা, চীংগী লমদা কনাগুম্বা লূপ খরনা তৌহৈদবা থবক কয়া তৌই। আইন লৈ অমদি আইন'না চৈরাক পীগনি হায়বগী অকিবা, লৈতে চীংমী অমত্তদা। লৈবাকসিগী লো, লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সী অমদি লো-কোর্ট- মণিপুরগী ওইনদি তম্পাক লম খরসিদতা চৎনহন্নবা শেম্বনি। মরম অসিনা, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্টকী মায়োক্তা হৌবা ঈহৌ, তম্মীশিংতগী অততাইনি খল্লি, চীংমী অমত্তা য়াওনিংদে। কম্যুনেল পোলিটিক্স তৌবা চীংমী লুচিংবা খরগী হূ-পুবা ৱাঙাঙশিংনা এন্টি-মীতৈ ফিলিং অমা চীংমীশিংগী ৱাখলদা মরু হুলহন্নবা হোৎনরকই মতম শাংনা। চীংমী-তম্মী অনীগী লৈনবা মরীসিদা লৈক্রক অমা চৎহন্নবা হোৎনরকই। ইকোনোমিক ব্লোকেদ- নুংশিনদবৈ ইহুল পোকহন্নবা শীজিন্নবা হৌরকই। অকিবনা লাকহৎলবা ফুরুপ অমগী শক্লোন লৌরক্লবা, লোংউপনা উপ্তুনা থমখ্রবা লেম্লে ঙাগা পাংখক ওইরবা তম্মী মীচম অমদি লৈঙাকপশিং- পাম্বে লৈতদুনা 'অখাঙ কনবা, পুকচেল চাউবা' মিংথোল লৌবা তারকখি।

পাঙদবা হায়গদ্রা, মথৌ মশক খঙদবা হায়গদ্রা, মীয়ামগী খন্দবা হায়গদ্রা- তৌফম থোকপদু অমত্তা তৌনি খঙদবা লৈঙাক, মতম্লা মরাইনা পুজরক্কনি হায়বা ৱাখলদুদা থাজবা লৈঙাকপা- মতম শাংনা লৈঙাকপগী থবক তৌরক্তবনা থোকহল্লকপা বন্দ-ব্লোকেদ-কলচরনি হায়বসিদি কাউথোক্লগা লাউই 'বন্দ-ব্লোকেদকী চৈথেংনা লৈবাকসিগী চাউখৎ থৌরাং শোক্থহল্লে'।

বন্দ নৎত্রগা জেনরেল ষ্ট্রাইক হায়বসি লৈবাকসিগী আইন'নদি য়াদবা, লৈঙাক্লা থওইবীদ্রবা মীচম মীয়াম্না খ্বাইদগী পামজবা ৱাকৎ অমা ফংননবা শীজিন্নবা অথৌবা খুৎলাই অমনি। অতৈ ঈংনা তপ্না হায়নবা, হায়জবা পাম্বে কয়া কান্নরক্ত্রবা মতমদা শীজিন্নগদবা ইরোই লোইবা খুৎলায় অসি- চৈনা খাঙবদা চৈনা ফাওদ্রবা, অৱাবা খাঙবদা অৱাবা কাউরবা লমদমসিগী মীয়ামগীদি 'বন্দ'/'জেনরেল ষ্ট্রাইক'- অহানবা অমসুং অরোইবা খুৎলায়নি। থবক্কী চাংয়েং-ফল হায়দোক্তবগী... কৈসু লৈতবা ৱাথোক্তগী অচৌবা লৈবাক ৱাথোক অমফাও- থোকপু থোক্লবা বন্দ অমা শোয়দ্রবনি। অদুবু, মদুগী মরাল মীয়াম খক্তদা তাইনগুমসি। লৈবাকসিগী পোলিটিকেল সিষ্টেম অসিদা তাইনসি। পুন্নমকসি পোলিটিক্স হায়বসিগী খুৎশেমনি।

খ্বাইদগী নৌরিবা ৱাথোক অসি নৈনসি। চহী অহুমগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল ২০০০ লৌনবগী পাঙথোকখিবা দি পি সী অদু অশোয়বনা পিক থল্লম্লে, ফিজিকেল ইফিসিয়েন্সি (ফিটনেস) টেষ্ট অমদি অইবা চাংয়েং অদু চৎনররোই, নৌনা অমুক পাঙথোক্লগনি হায়বা হোম দিপার্টমেন্টনা ওর্দর অদু থোকখিবদগী মখা তাবদা থোক্লক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং। অহানবা ওইনা তম্পাক লমগী মীশিংনা তৌবা কাউন্টর ব্লোকেদ নত্তবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ! মখা তাবা বন্দ, লৈঙাক্কী লোয়শঙ থিংজিনব'নচিংবা কয়া চঙশিলক্কদৌরিবা! হোম দিপার্টমেন্টনা ঙসিতমক ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অচুম্বমক ওইরবসু থাজবা ঙম্লোই মীয়াম্না। মরমসিনা থিংজিনবা ওইরম্লবা, চহী অহুম ঙাইফম থোক্তে। পুন্নমক্লা খঙই, কুমজা ২০১৩ দা কেন্দিদেট ওইরুবা মীশিংনা লৈঙাক্কী অঙম অথৌ, ওফিসর, মন্ত্রি কয়াদা লুপা ক্রোর চা কয়া পীশিন্দুনা থমখরে। ইলেক্সনদা মীৎয়েং থমদুনা দি পি সীদুগী চ্যেরমেননা মনিং মখা তমদুনা এম এল এ/মিনিষ্টরগী কোটা শুনা পীদনা মাগী ওইবা মীশিংদা হেন্না ফেবর তৌরম্লনি, মাগী মীনা হেন্না রিক্রুইটমেন্ট রিকম্মেন্দেসন তৌরম্লনি। চ্যেরমেনদু ভোল্যুন্টরি রিটয়ার্দমেন্ট লৌদুনা ইলেক্সনদা কেন্দিদেট ওইরগনি শোয়দ্রে খঙলকপা নুমীৎতুনি ৱাথোকসিগী ৱাহৌ ওইরক্লিবা। হৌজিক্কী লৈঙাক অসিদা মরুওইবা মিনিষ্টর অমা ওইরিবনি, মাগী লম্বা ওইদৌরিবা, করিগী থরক হুনগৎম্লোই? থাজবীয়ু, ৱাথোকসে অরায়বা ওইরক্লোই, পোলিটকেল স্কেন্দল অমনি।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাংগী অরূম্বা হেনবগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা



হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়বসি পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুম ওইনমক অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না হকচাংগী অরূম্বা হেনবা হায়বসি থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লক্তুনা হার্ট ফেল ওইহল্লরুবগী মরুওইবা মরমনি হায়বা খঙলে।

মীওই ১৩,০০০ রোমদা চথখিবা ষ্টদি অমদা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা মীওই খুদিংমক হার্ট ফেল ওইরকপা য়াবগী রিস্ক শরুক অনীরোম হেনগৎলকই হায়বা খঙলকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মেরিলেন্দদা লৈবা বাল্টিমোরগী জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইবা চিয়াদি দুমেলেনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর, কোলেষ্টেরোল অমদি ব্লদ সুগর লেভেল নোর্মেল ওইবা তারবসু হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি হার্ট ফেল ওইরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। হকচাংগী অরূম্বা হেনবগী থৌওং অসি খুদক্তগী হেক্তা ফহনবা ঙমদবনিনা হীরম অসিগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাংগী অরূম্বা হেনবগা লোয়ননা কা হেন্না নোয়রবদি হার্টতা অচৌবা পোৎলুম অমা পী। মদুগীসু মথক্তা পুক্কী ফেট সেলশিংগী থাদোরকপা মোলিক্যুলরশিংনা হার্টকী সেলশিং অমাঙ অতা থোকহল্লি।

কা-হেন্না নোয়বগা লোয়ননা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি ব্লদ প্রেসর অমসুং ব্লদ কোলেষ্টেরোল ৱাংখৎলক্তুনা দাইবেটিস ওইহল্লকই। মসিনা মরম ওইরগা হার্ট অমদি ঈ উতোংশিংগী অনাবা কয়া ওইহল্লকই।

জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিননা চহী ২৩ চুপ্পা মীওই ১৩,৭৩০ গী মেদিকেল রেকোর্দশিং কুপ্পা নৈনখি। মদুদা হকচাংগী অনোয়বা অমদি অরূম্বা হেনবা মীওইশিং হার্ট ফেল ওইরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা খঙলকখিবনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি জর্নেল ওফ দ অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা মীওই অয়াম্বা নোংম-নোংমগী অরূম্বা হেনবা মীওই মিলিয়ন ৪০০ রোম লৈরি। মশাগী চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাং মিলিয়ন ১৭.৬ লোমসু হকচাংগী অরূম্বা হেল্লে হায়রি।

কুনশুবা চহীচা তংখায় চল্লকপা অদুৱাইদগী মীওইবনা চাবা থকপগী মওংদা অহোংবা লাকপগা লোয়ননা পুন্সি মহিংসু হোংলকখি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীওইবনা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা মনা-মশিংগী মহুৎ শা-ঙা চাবগী চাং ৱাংখৎলকখি। মদুনা মরম ওইরদুনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকখি।

কনাগুম্বা মীওই অমা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি হাইপরটেন্সন, দাইবেটিস অমসুং অথরোস-ক্লেরোসিস ওইহল্লক্তুনা কার্দিও-ভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক হেনগৎলকই। খ্বাঙ চাউবগী চাং অমসুং নিংজোলগী অকোয়বা য়েংলগা কনাগুম্বা মীওই অমা নোয় নৎত্রগা নোয়দে হায়বদু খঙবা ঙম্মী। হকচাংগী অৱাংবা অমদি অরূম্বগী মরক্তা লৈনবা রেসিও য়েংলগসু নোয়বগী চাং খঙবা ঙম্মী। কিলোগ্রামদা ওনবা হকচাংগী অরূম্বদা মিটরদা ওনবা মরেপকী স্কৱারনা য়েন্থোকপদা তারকপা ফল অদু মীওই অমগী বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) নি। বি এম আই ২৫ দগী হেল্লবদি হকচাংগী অরূম্বা হেল্লে হায়না লৌনৈ।

নুপীশিংগী ওইনদি বি এম আই ২১ দগী হেনবা মতমদা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লে হায়না লৌনবগা লোয়ননা হার্টতা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। বি এম আই ৩০ দগী হেনবা মীওইশিংদি কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক কা হেন্না ৱাংবা মীওইনি হায়না লৌনৈ।

খ্বাঙ চাউবগী মওং মতৌ য়েংলগসু কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক খঙবা ঙম্মী। পুক নোয়বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ব্লদ লিপিদ ৱাংখৎলকপদগী হকচাংনা ইন্সুলিন মওং তানা শীজিন্নবা ঙমদে। হকচাংনা ইন্সুলিন শীজিন্নরগা চীঞ্জাক্তগী গ্লুকোজ শুংই। অদুবু মওং মরিল তানা ইন্সুলিন শীজিন্নবা ঙমদ্রবদি দাইবেটিস ওইরক্তুনা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। হকচাং নোয়বা হেনগৎলক্লি বমখে টাইপ-টু দাইবেটিস অমদি হাইপরটেন্সনগী রিস্কসু হেনগৎলকই।

দাইবেটিসনা নারবা মীওই চাদা ৫৮ অমদি ইস্কেমিক হার্ট দিজিজনা নারবা মীওই চাদা ২১ বি এম আই ২১ দগী হেনবা মীওই ঙাক্তনি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে।

হকচাংগী ওইনা খ্বাইদগী কনবা মশলনি হায়না লৌনরিবা হার্ট অসি মীওই অমগী খুৎতুম মুক চাউই। মীওইবনা মমাগী পুক্নুংদা লৈরিঙৈদগী হার্টনা মথৌ তৌবা হৌরকখ্রবনি। অয়ুক নুংথিল নুমীদাং পোত্থাবা লৈতনা মথৌ তৌরিবা হার্টনা হকচাংগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা ঈ য়েল্লি। ঈনা হকচাংগী মফম পুন্নমক য়ৌরুরগা হার্ট তম্না হল্লকপগী লম্বীদা লিভর ফাওই। মফমদুদা অমোৎ অকায় পুন্নমক চুমথোকহৌই। মীওইবনা মৈখু শীজিন্নবগা লোয়ননা চাকচা যুথক ফজদবা থোক্লবদি হার্টতা অকায়বা পীরক্তুনা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

# কুঞ্জকেশোনা ইবা *মুকশন কাঙলোন* ফোঙখ্রে




ককচীং, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস):

কলচরেল রিছার্চ সেন্টর, মণিপুর, খা নাওরেম লৈকায়গী মীংদা ময়াংলম্বম ওংবী ইবেচানা ফোঙবা ময়াংলম্বম কুঞ্জকেশোনা ইবা ৱারেং লাইরিক *মুকশন কাঙলোন* ঙসি হৌনবী মতুংইন্না ফোঙখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ককচীং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচীংগী মীপুনশঙদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লাইরিক অদু ফোঙখি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা রাইটর্স এসোসিএসন, ককচীংগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পুখ্রম্বম নিমাই, সাহিত্য সেবা সম্মিটি, মণিপুর, ককচীংগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম ধনঞ্জোয় অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার নোংমাইথেম রাজমোহোননা থৌরম মপুশিং ওইখি।

ঙসি ফোঙখিবা *মুকশন কাঙলোন* কৌবা লাইরিক অদুগী মতাংদা খা মণিপুর কোলেজ, ককচীংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. চিরোম রাজকেতননা লাইরিক মশক তাকখি। লাইরিক অসিদা ৱারেং ২২ য়াওরি। পুন্না লামায় ১৪৬ পাল্লি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা শক্লাইরবা অইবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রোনা থৌরম মপু ওইদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা পাঙথোকখি। শৈরেং শৈদিন্নবা অদুদা মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা, অইবী ২৩ না শরুক য়াখি।

# মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং মাঙলোমদা চঙশিন্নবা পোলিটিক্স তৌবা তাই : ও লুখোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস):

মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং মাঙলোমদা চঙশিন্নবা পোলিটিক্স তৌবা তাই হায়না এম এল এ, ও লুখোইনা ঙসি শামুরৌ কৈথেল মনাক্তা ইলেক্সন ওফিস অমা হাংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাঙ্গোই এ সীগী এম এল এ, ও লুখোইগী ইলেক্সন ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, মীয়ামগীদমক কথোকপগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা পোলিটিক্স তৌবনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি।

ঙসি হাংদোক্লিবা ওফিস অসিদা মীয়াম পুন্দুনা চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা হীরম কয়া খন্নবা য়ারগনি। এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী ওইবা অৱাৎ-অপা অমদি পায়খৎপা য়াবা হীরম কয়াগী মতাংদসু মোত কয়া খন্ন-নৈনবগী মফম ওইরগনি। মতম মতমগী ওইবা ঈ-পাউ কয়াসু ফাওদোক ফাওজিন তৌদুনা মীয়ামগী য়াইফগদবা থবকশিংগীদমক হোৎনমিন্নসি।

ময়াই লম্বী অসি নেসনল হায়ৱেগী থাক্তা ওনখৎখ্রে। ইম্ফালদগী ময়াং ইম্ফাল ফাওরগা চৎলিবা লম্বী অসি নেসনল হায়ৱে ওল্লবনিনা মিনিষ্ট্রিগী মীৎয়েং মখাদা শেমগৎলক্লগনি। লম্বী পরিং অসিদা হায়ৱেগী থাক্তা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা হৌজিক ফীভম ফত্তনা লৈরিবা মফমশিং শেমজিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। নোং-চীংগী ফীভম ফরক্লবদি লম্বী শেম্বগী থবক অসি য়াম্না য়াংশিন্না পায়খৎপা ঙম্লগনি।

ৱাঙ্গোই এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। এ সী অসিগী মনুংদা এস বি আই বেঙ্ক হাংলে। ওপরেসনগী খুদোংচাবা লৈবা হোস্পিটাল লৈরে। ত্রেজরি ওফিস লাক্লে। লম্বী-থোং য়াওনা হীরম কয়াদা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। মীয়ামগী য়াইফগদবা অহোংবা কয়া পুরক্লবা লম্বীদা লেপ্তুনা চঙশিল্লি। মখা তানা পায়খৎকদবা থবক থৌরাং কয়া অমসু লৈরি। মীয়ামগা লোয়ননা খন্ন-নৈনদুনা চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা হেন্না য়াংশিন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মীয়ামগী থবক তৌবদা পুকচেল শেংনা তৌগদবা মীহুৎ খনবা য়াম্না মথৌ তাই। মীহুৎ খনবদা শোয়রবদি মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংদা খুম্মাং চাউশিনবা ঙম্লোই। চাউখৎ থৌরাংদা হেন্না খুম্মাং চাউশিন্নবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদু ৱাঙ্গোই এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

# আর আর শুদবা মীওই অমত্তা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার খনবা য়ারোই : পোইরৈ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ : আর আর শুদবা মীওই অমত্তা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার খনবা য়ারোই হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পাটি, পোইরৈ মৈতৈ লূপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈপাক্কী চৎন-লোনচৎ, লাইনিং-লাইশোন কয়াবু মালেম শিনবা থুংনা মশক তাক্তুনা চাউখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কংলৈপাক অসিগী কলচরবু হেন্না মপুং ফানা চাউখৎনবা লিংখৎখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ওইনা চহীসিগী জুলাই ২৫ দগী ওগষ্ট ২ ফাওবা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ুদা মণিপুরী, ইংলিস, উমং লাই হরাওবা, থাঙ-তা, কলচর অমসুং কলচরেল ষ্টদিজগী লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার খরা লৌনবা হোৎনরিবা অসিদা আর আর শুদবা মীওই অমত্তা খনবা য়ারোই। করিগুম্বা খঞ্জিনবা থোক্লবদি মদুদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা লূপনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর কমপ্লেক্সতা লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট মঙাগী লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ২০ লৌনবা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অদুদা অরানবা কয়া চথখিবগা লোয়ননা আর আর শুদবা মীওই কয়া ঐগী মীগী হায়বা মীৎয়েংদা লান্না থবক খন্নবা হোৎনরে হায়বগী অখন্নবা রিপোর্ট অমা ফংবদগী লূপ অসিগী ওপরেসন মঙাল ওফ কংলৈপাক্লা থিজিল্লুবদগী অরানবা কয়া চথরম্বগী চে-চাং কয়া ফংলে। লূপ অসিগী ওপরেসন মঙাল ওফ কংলৈপাক্লা থিজিল্লুবদা অহানবা রিপোর্টকী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার খরা লৌনবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্ট্রারনা নোটিফিকেসন থোকখি। নোটিফিকেসন নম্বর ১/৬/২০১৬-এম য়ু সী (লেকচর) গী মতুংইন্না রেজিষ্ট্রারনা হায়রিবা পোষ্টশিং অসিদা মণিপুরীগী ওইনা পোষ্ট অনী লৌনবগী ইন্টরভিয়ুনা জুলাই ২৫ অমসুং ২৬ কী অয়ুক পুং ১০, ইংলিসকী ওইনা পোষ্ট অনী লৌনবা ইন্টরভিয়ুনা জুলাই ২৭ অমসুং ২৮ গী অয়ুক পুং ১০, উমং লাই হরাওবগী পোষ্ট অনীগা জুলাই ২৯ অমসুং ৩০ গী অয়ুক পুং ১০, থাঙ-তাগী পোষ্ট মরি লৌনবগীনা জুলাই ৩১ গী অয়ুক পুং ১০, কলচর অমসুং কলচরেল ষ্টদিজগী পুন্না পোষ্ট অহুম লৌনবগী ইন্টরভিয়ুনা ওগষ্ট ১ অমসুং ২ গী অয়ুক পুং ১০দা পাঙথোক্কনি হায়না পল্লি। লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসারগী পোষ্টশিং অসিগী পে বেন্দনা লুপা ১৫,৬০০ তগী ৩৯,১০০ প্লস একাদেমীক গ্রেদ পে লুপা ৬০০০ ওইগনি। মহৈগী থাক্তা গুদ একাদেমীক রেকোর্দকা লোয়ননা লমদুদা য়ামদ্রবদা চাদা ৫৫ মার্ক ফংদুনা মাষ্টর দিগ্রী ওইগদবনি। সবজেক্টতুদা পি ঐচ দি দিগ্রী পায়বগা লোয়ননা টিচিং এক্সপিরেন্স খরা লৈবা ওইগদবনি। অদুগা চপ মান্নবা পে স্কেলদা সঙ্কীর্ত্তন (পুঙ, ঈশৈ, চোলোম), ত্রাইবেল ষ্টদিজ (ত্রাইবেল দান্স ম্যুজিক) অমদি ঠিএটর (দিরেক্টর এক্টিং)গী পোষ্ট অমমম লৌনবগী ইন্টরভিয়ুনা ওগষ্ট ১৯ দা পাঙথোক্কনি হায়রি। হায়রিবা পোষ্টশিং অসিদসু গুদ একাদেমীক রেকোর্দকা লোয়ননা য়ামদ্রবদা লমসিদা মাষ্টর দিগ্রীদা চাদা ৫৫ মার্ক ফংবা, নেট/এস এল ঈ টি হায়রিবা সবজেক্টসিদা পি ঐচ দি দিগ্রী পায়বা ওইগদবনি হায়বসিনি।

হায়রিবা পোষ্টশিং অসিগীদমক ইংলিসকী ওইনা কেন্দিদেট ৪০, মণিপুরীগী ৪১, কলচর অমসুং কলচরেল ষ্টদিজগী ৩, থাঙ-তাগী ১১, উমং লাই হরাওবগী ৩৬ অমদি সঙ্কীর্ত্তননচিংবনা কেন্দিদেট অহুম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অদুদা মতিক চাবা মীওই খন্নবা লাক্লিবা কেন্দিদেটশিং অদু স্ক্রিনিং অমত্তো তৌখিদে। থবক অসিগীদমক নোটিফিকেসনদা পীরিবা ক্বালিফিকেসনশিং অদু শুদবা মীওই কয়া ইন্টরভিয়ু অদু পীহনখি। থৌদোকসিনা মরম ওইরগা লম অমদা হৈজরবসু সবজেক্ট অদুদা এম এ পাসতি তৌজবা পি ঐচ দি দিগ্রী অতোপ্পা সবজেক্ট অমদা তৌবা টিচিং এক্সপিরেন্স লৈতবা মীওই কয়াবু ইন্টরভিয়ু অসিদা য়াওহন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিবু ফাগি তাহল্লে। হেন্না ঙক্লিবনা মণিপুরগী ওইনা মশামক হৌজিক হৌজিক টিচিং এক্সপিরেন্স লৈবগী মথক্তা লম অসিদা এম এ, পি ঐচ দি দিগ্রী পায়বগী মথক্ত লমসিদা পেপর/আর্টিকল কয়া ইরিবা মতিক চারবা মীওইশিং খন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা য়ুনিভর্সিটি অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী মতিক চাদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং ওইনা খন্নবা হোৎনরে হায়বগী চপ চাবা রিপোর্ট লূপতা লৈরে।


থাঙ-তাগীদমক লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওইবু ইন্টরভিয়ু কম্মিটিগী মীহুৎ ওইহনবগী মহুত্তা থাঙ-তাগা মরী শুক্লে লৈনদবা মীওইশিংনা ইন্টরভিয়ু লৌহনখি। মরম অদুনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা য়াম্না তাঙনা লিংখৎলক্লিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৌগদৌরিবা অসিদা আর আর শুদবা মীওই অমত্তা খনবা য়ারোই। করিগুম্বা লূপ অমদি কংলৈ মীয়ামগী মায়োক্তা আর আর শুদবা মীওই খল্লম্লবদি অফবা অচুম্বা মণিপুর অমগীদমক অরানবা তৌবদা চেন্নবশিং লূপনা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# য়ানবা পুরকখ্রে

থৌবাল, ওগষ্ট ২৫ঃ চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলোদা জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এমদি কুদুস খান (বোথেচা) অমসুং এম দি ফিরোজ খান (বোথে) হু ইজ সেরিএসলি ইঞ্জুর্দগী মীওইশিং, এম এল এ, কে মেঘচন্দ্র, অধ্যক্ষ কে ঐচ সুর্নলাতা, খাঙবোক পার্ট, টু অমসুং থ্রীগী প্রধানশিং অমসুং লোকল লিদরশিং ফমিন্নদুনা থা অসিগী ১৪গী নোংঙাল্লমদাইদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ানবা পুরখ্রে হায়রি।

জে এ সী অসিগী কনভিনর এম দি শাজির অহমদনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, এম দিহাশিম খানগী মচানুপা লৈখিদ্রবা এম দি কুদস খানগী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা লুপা লাখ ৫ পীবা, শোক্তুনা লৈরিবা এম দি ফিরোজগী ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা লাখ ১ পীবা, লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইদা লৈঙাক্কী থবক ২ পীবনি।

লৈখিদ্রবা অমসুং অশোকপগী খল্লগা চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ৩, এম এল এ, মেঘচন্দ্রনা লুপা লাখ ১, অধ্যক্ষ কে ঐচ সুর্নলতা, প্রধান কে ঐচ রাজমোহন, প্রধান এন অরুনা, প্রধান কে ঐচ খোমৈনা মতেং পাংবা হায়না য়ানখ্রে। মরাল লৈবশিং লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহনবা লোয়ননা লাইবক থীবা থৌদোক অসিগুম্বা অসি মখা তানা থোক্তনব-গীদমক হয়েল লৌবুক্কী মীয়াম অমসুং খাঙবোক্কী মীয়াম পুন্না ফম্মিন্নদুনা মতুংদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎমিন্নবা হায়না জে এ সী, খাঙবোক্কী লোকল লিদরশিংগা য়ানখ্রে হায়রি।



HL-B/3256/12/8 to 11/09



HL-B/3260/15 - 30 Aug.